# ৱাইদিও চোংথাম কোনানা অমুতোম্বী নিংশিং ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৩ঃ
ময়াং ইম্ফাল খুমন য়ুঠ এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাত্তঃ লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী শঙলেনদা চথরকপা খুমুজম অমুতোম্বী নিংশিং ফাষ্ট ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা য়ুঠ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ৱাইদিও) চোংথাম কোনানা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এমপিএসসি) না রন্নর্স অপ তাবা ওমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি টিম ৭না গ্রুপ অনী থোক্তুনা থা অসিগী ২০দগী হৌদুনা চথরকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৱাইদিও চোংথাম কোনানা এমপিএসসি গী সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীরগ্লগা ৱিন্নর ওইবা ওমখিবনি।

ফাইনেল মেটচকী অহানবা সেটকী শান্নবদা মণিপুর পুলিস টিমনা ৱাইদিও বু পোইন্ট ২৫–২০ দা মায় পাকখি। অদুগা মতুং তারকপা সেটশিং দা চোংথাম কোনাগী টিমনা মণিপুর পুলিস টিমবু পোইন্ট ২৫–২০, ২৫–১৪ অমসুং ২৫–১৮ দা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা এনৱাইদিসি খাইদেমনা বেটচ দিসিপ্লিন টিমগী মনা ফঙবা ওমখি।

ৱিন্নর ওইখিবা ৱাইদিও গী শান্নরোই অনী এন তোম্বা অমসুং আই প্রেমজিৎনা বেষ্ট প্লেয়র অমসুং বেষ্ট ব্লোককী মনা ফঙবা ওমখ্রে।

এমপিএসসি গী সিঐচ রোমিওনা বেষ্ট সেটলর অমসুং মিখিয়া টিমগী ৱাই ধিরেননা বেষ্ট স্পাইকর এৱার্দশিং ফঙবা ওমখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা টিম ৱাইদিও না শেল ওইনা লুপা লিশিং ২০গী মনা অমসুং রন্নর্স অপ তাখ্রবা মণিপুর পুলিস টিমনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১৫ মনা ফঙবা ওমখি।

# ৫৯শুবা সুব্রোতো কপ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহৌবা নুমিৎতা পেরেদাইজ ইংলিস স্কুল অমসুং স্প্রিং ফিল্ড ইংলিস স্কুল মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৩ঃ
দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস থৌবালনা শীন্দুনা ৫৯শুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সুব্রোতো কপ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ফোর অন্দর–১৪ এন্দ ১৭ ঙসি ৱাংজিংদা লৈবা কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থৌবাল দিপুটি কম্মিস্নর ঐচ রোসিতানা হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপামচা চহি ১৪ মখাগী কাংলুপ্তা টিম ১১না গ্রুপ– অনী থোক্তুনা শরুক য়ারি। অদুগা চহি ১৭ মখাগী কাংলুপ্তনা টিম ৪না শরুক য়ারি।

থা অসিগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মায় পাক্লবা টিমনা ষ্টেট লেভেল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুগদৌরি।

ঙসি অহৌবা নুমিত্তা অন্দর ১৪ গ্রুপ–এগী শান্নখিবা মেটচ অমদা পেরেদাইজ ইংলিস স্কুল থৌবালনা ব্রাইটর এঞ্জেল স্কুল সমারাম বু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

পেরেদাইজ স্কুলগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু জোন্সননা শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা চনবা ওমখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা কেতেগোরিগী গ্রুপ–এ গী মেটচ অমদা স্প্রিং ফিল্ড ইংলিস স্কুল ৱাংজিং না ফুনদ্রে হায় স্কুল খোংজোমবু গোল ৫–০ দা লাকচনা মায়থিবা পীখি।

স্প্রিং ফিল্ড ইংলিস স্কুলগী অহানবা গোল অদু মনিমতুমনা শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা চনবা ওমখি।

অদুগা অনীশুবা গোল অদুনা লুরেম্বনা শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা চনখি।

কুমারজিৎনা মায় পাকপা টিমগী অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা গোল শান্নবগী ১৩ অমসুং ২২শুবা মিনটতা চনবা ওমখি।

উমাকান্তনা শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা মায় পাকপগী মঙাশুবা গোল অদু চনবা ওমখিবনি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা দিসি থৌবাল ওইরিবী ঐচ রোসিতা না অথোইবা মিথুংলেন, দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালগী প্রসিদেন্ট এম মানি না থৌরম মপু অদুগা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে মাইকেলনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

শান্নরোইশিংনা দিসিপ্লিন লৈনা অমদি স্পিরিট লৈনা শান্নদুনা তুংগী অফবা মতিং লৈবা শান্নরোই অমমম ওইনবা হোৎনসি হায়না দিসি থৌবাল রোসিতা না টুর্নামেন্ট অসি হৌদোক্লদুনা মহৈরোইশিংদা অপিল তৌখি।

# কমলা অমসুং পান্থোইনা ৱুমেন ফুটবোল্লর ওফ এয়র, ইমর্জিং ৱুমেন ফুটবোল প্লেয়র ২০১৭গী মনা ফঙখ্রে





কমলা অমসুং পান্থোইনা লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দশিং ফঙলকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ঃ
ষ্টেট অসিদগী হৌখিবী নুপী ফুটবোল্লর অনী–ৱাই কমলা দেবী অমসুং ই পান্থোই চনুনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা পীবা লেমজনিংঙাই ওইবা এৱার্দ ৱুমেন ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়র অমসুং ইমরজিং ৱুমেন ফুটবোল প্লেয়র ওফ দি ইয়র ২০১৭ গী মনাশিং ফঙবা ওমখ্রে।

এৱার্দ অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট পরফুল পাটেলনা চিয়র লৌদুনা ফেদরেসন অসিগী ইজ্যুকিটিব কম্মিটি মিটিং অমা মুম্বাইদা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্লবা মতুং লাওথোরকখিবনি।

কমলা ষ্টেট অসিদগী হৌখিবা ইন্টরনেসনেল ৱুমেন ফুটবোল প্লেয়র অমা ওইবতা নত্তনা মহাক হৌজিক হৌজিক রেলৱে স্পোর্টস ক্লবতা শান্নরিবী শান্নরোই নি।

অদুগা ষ্টেট অসিগী তুংগী প্রোসপেক্ট য়াম্না লৈরিবী পান্থোই হৌজিক হৌজিক ৱাঙ্খেগী ষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নদা শান্নরিবী শান্নরোইনি।

মরকসিদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা থাদোরকপা চেরোল অমদা ষ্টেট অসিদগী হৌখিবী নুপী ইন্টরনেসনেল ফুটবোল্লর অনী

নোংমাইজিং নুমিৎতা ফমখিবা কম্মিটিগী মিফম অদুনা ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসননা লৌরকখিবা ফিরেপ জকরতাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসকী ফুটবোল ইভেন্টতা ইন্দিয়ান ফুটবোল টিম থাবিখিদবগী ৱারেপ অদুবু য়াম্না কন্না য়ানিংবদা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা মখা তানা কম্মিটিনা ফিফা রেগুলেসন্দা য়াওবা ষ্টেন্দর্দ দ্রাফ এগ্রিমেন্ট অমা এআইএফএফতা এফিলিয়েট তৌবা ক্লবশিংদা য়েন্থোক্লবগী রিকমেন্ট তৌখি।

মখা তানা এআইএফএফ কী রিপোর্টকী মতুং ইন্না মীওই অনীনা (সুব্রতা দত্তা অমসুং কোলোনেল বিএমআর মহেতা) শাবা কম্মিটি অমা শেমদুনা দদ্রা এন্দ নগর হবেলি ফুটবোল এসোসিয়েসন্দা চৎতুনা য়েংশিল্লুরবা মতুং কম্মিটি অসিনা প্রোভিসনেল এফিলিয়েসন তৌবগী অয়াবা পীখি।

ইজ্যুকিটিব কম্মিটি মিটিংদা লাওথোকখিবা অতোপ্পা এৱার্দশিং অদুদি বেষ্ট গ্রাসরুট দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামদা কেরলা ফুটবোল এসোসিয়েসননা ফঙবা ওমখি।

হিরো মোতো কোর্পরেসন মতম শাংনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা কন্ত্রিব্যুসন তৌবগী মনা ফঙখি।

সিআর শ্রীকৃষ্ণনা বেষ্ট রেফরিগী মনা অদুগা অসামগী সুমান্ত দাত্তানা বেষ্ট এসিষ্টেন্ট রেফরি এৱার্দ ফঙখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন সুনিল সেত্রিনা এআইএফএফ ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়র ২০১৭ গী মনা অমসুং অনিরুদ্ধ থপানা এআইএফ ইমরজিং প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনাশিং ফঙবা ওমখিবনি।

# বিসিসিআইগী মেম্বর রজিব দত্তা নুমিৎ ২গী খোঙচৎতা ইম্ফালদা লাক্তুনা টুর্নামেন্ট মফমশিং য়েংশিনখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৩ঃ
বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বিসিসিআই) গী ন্যু এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী তাস্ক ফোর্স মেম্বর ওইরিবা রজিব দত্তাগী নুমিৎ নিনিগী ওইবা খোঙচৎতা ঙসি ইম্ফালদা থুংলদুনা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা বিসিসিআইগী মখাদা রঞ্জি ত্রোফি শান্নগদবা মফমশিং য়েংশিনখ্রে।

মহাক্কী ঙসিগী খোঙচৎতা মণির ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা ইহান হান্না খুমন লম্পাক্তা লৈবা ক্রিকেট গ্রাউন্দ য়েংশিনখি। মতুং তারকপদা অৱাং পোৎশঙবম পব্লিক গ্রাউন্দ য়েংশিনখি।

খোঙচৎ অদুদা মহাক্না পুক্নিং চিংশিল্লদুনা ক্রিকেট মশান্না অসি ষ্টেট অসিদা য়াম্না থুনা চাওখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা থন্নমখি।

মহাক্না গ্রাউন্দগী ফিভম য়েংশিনবদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা মশান্না অসিগা মরি লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রক্টরশিং অমদি অতোপ্পা ফেসিলিটিশিং চাওখৎহন্নবা অমসুং টেক্নিকেলগী ওইবা হিরমশিংদা খন্ন–নৈনখি।

মহাক্কী হয়েংগী খোঙচৎতা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দ, হিয়াংথাং পব্লিক গ্রাউন্দ অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী গ্রাউন্দশিং য়েংল্লিগনি।

# নেসনেল স্পোর্টস একাদেমীগী লেটরেল ইন্ত্রি স্কিমদা ক্লাস ৯ অমসুং ১১গী মহৈরোই খরা লৌগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ঃ
খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা নেসনেল স্পোর্টস একাদেমীগী ২০১৮–১৯ গী ক্লাস ৯ অমসুং ১১ দা এনরোল তৌনবগীদমক তোঙান তোঙানবা মশান্না ৬– অর্চরি, বোক্সিং, জুদো, টাইকুন্দো, ৱেঠলিফটিং অমসুং রেষ্টলিং মশান্নশিংগী নেসনেল লেভেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা তোপ ৩ পোজিসন তারক্লবা শান্নরোইশিংগী মরক্ত গী লেটরেল ইন্ত্রি স্কিমদা মহৈরোই ৮৮ লৌগদৌরি।

একাদেমী অসিদা ইনরোল তৌনবগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং স্কুল গেম ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীনবা নেসনেল স্কুল গেমশিংদা চহি ২গী মনুংদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টশিংদা তোপ ৩ পোজিসনদা লাকপশিং ওইগদবনি।

ক্লাস ৯গী ওইনা শান্নরোইশিং অদু চহি ১৩ অমসুং ১৪গী মরক্তা লৈবা ওইগদবনি । অদুগা ক্লাস ১১গী ওইনা চহি ১৫ অমসুং ১৬ লৈবশিং ওইগদবনি হায়রি।

অর্চরিগী ওইনা ক্লাস ৯গীদা নুপীমচা ৬ অমসুং নুপামচা ৫ অদুগা ক্লাস ১২ ওইনা নুপীমচা ২ অমদি নুপীমচা ২ নি।

বোক্সিংদা – ক্লাস ৯গী ওইনা নুপীমচা ৫ অমসুং নুপামচা ৬ অদুগা ক্লাস ১২কীদা নুপীমচা ৪ অমসুং নুপীমচা ৩, জুদোগীদা ক্লাস ৯গীদা নুপীমচা ৫ অমদি নুপামচা ৫ অদুগা ক্লাস ১১ গী ওইনা নুপীমচা ২, তাইক্কুন্দাগীদা ক্লাস ৯গী ওইনা নুপীমচা ৫ অমসুং নুপামচা ৩ অদুগা ক্লাস ১১ গী ওইনা নুপীমচা ১, ৱেঠলিফটিংগীদা ক্লাস ৯গী নুপীমচা ৬ অমসুং নুপামচা ৬অদুগা ক্লাস ১১গী নুপীমচা ৪ অমসুং নুপামচা ৩, রেষ্টলিংগী ক্লাস ৯গী ওইনা নুপামচা অমসুং নুপীমচা ৬ ।৬ অদুগা ক্লাস ১১গী ওইনা নুপীমচা ৪ অমসুং নুপামচা ১ নি।

এফিলিয়েসন ফোর্মগীদমক খুমন লম্পাক্তা লৈবা একাদেমী অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসতগী লুপা ১০০ পীরগা লৌরবা য়াগনি হায়রি।

ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ৩১ ফাওবা ওইগনি হায়রি। মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা নেসনেল স্পোর্টস একাদেমীগী এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসতগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা লাক্তুনা খঙলবা য়াগনি।





অহানবা ও দি আই দা বংলাদেশনা ৱেষ্ট ইন্দিজপু রন ৪৮ দা মায়থিবা পীখ্রে

# পাকিষ্টাননা জিম্বাৱেবু রন ১৩১ দা মায়থিবা পীখ্রে





বুলাৱায়ো, জুলাই ২৩ঃ
জিম্বাৱেদা পাকিষ্টাননা তুর তৌদুনা জিম্বাৱেগী ক্কুইন স্পোর্টস ক্লবতা পাঙথোকখিবা মঙাশুবা ওদিআইদা পাকিষ্টাননা য়ুম্বু জিম্বাৱেবু রন ১৩১দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা পাকিষ্টাননা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং খনখি। অহানবা বেট্টিং তৌখিবা পাকিষ্টাননা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ৩৬৪ লৌদুনা জিম্বাৱেবু রন ১৩১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

পাকিষ্টানগী রনশিং অদু ইমম অল হাগনা বোল ১০৫ দা ফোর ৮ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ১১০, ফখর জমননা বোল ৮৩ দা ফোর ১০ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা ৮৫, ববর অজরনা বোল ৭৬ দা ফোর ৯ অমদি সিক্স ২ য়ৈরগা রন ১০৬, সোইব মালিকনা বোল ১৫ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ১৮, অসিফ আলিনা বোল ১৬ দা রন ১৮ অমদি সরফ্রাজ মালিক (কেপ্টেন অমদি ৱিকেট কিপর) না বোল ৬ দা রন ৬ লৌখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লি তৌখিবা জিম্বাৱেগী বোল্লর ক্রিস মাপোফুনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৬৭, তেনদাই চতারানা ওভর ১০ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৭৯, দোনাল্ড তিরিপানোনা ওভর ৭দা রন ৬৭, লিয়ম নিকোলাস রোচেনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৬৫, ৱেল্লিংতন মশাকাদজনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৬৬, অমদি প্রিন্স মাসভৌরেনা ওভর ৩ দা রন ১৯ পীখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা জিম্বাৱেনা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৪ তুরগা ২৩৩ খক লৌদুনা পাকিষ্টানগী মখুৎতা মায়থিবা নঙখিবনি।

জিম্বাৱেগী রনশিং অদু হমিলতন মসাকাদজা (কেপ্টেন) না বোল ৪৬ দা ফোর ৩ অমদি সিক্স ২ য়ৈরগা রন ৩৪, তিনাসে কমুনহুকামৱেনা বোল ৪১ দা ফোর ৩ অমদি সিক্স ২ য়ৈরগা রন ৩৪, প্রিন্স মাসভৌরেনা বোল ৫৩ দা ফোর ২ য়ৈরগারন ৩৯, রিয়ন মুরে (ৱিকেট কিপর) না বোল ৭০ দা ফোর ২ অমদি সিক্স ২ য়ৈরগা রন ৪৭, পিটর মুরনা বোল ৫৪ ফোর ২ অমদি সিক্স ২ য়ৈরগা রন ৪৪, ইলতোন চিংগুমবুরানা বোল ৩৭ দা ফোর ১ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ২৫ পীখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা পাকিষ্টানগী বোল্লর মোহমদ অমিরনা ওভর ৮ দা রন ১৯, জুনাইদ খাননা ওভর ৭ রন ৩৫, হসন অলিনা ওভর ৯ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৫৫, মোহমদ নৱাজনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৪৭, সাদব খাননা ওভর ১০ দা রন ৪২, সোইব মালিকনা ওভর ৪ দা রন ১৯, সরফ্রাজ অহমদ (কেপ্টেন অমদি ৱিকেট কিপর) না ওভর ২ রন ১৫ পীখি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*